**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা হায়রি- কোমলা থারিবা লৌমীশিংনা মতমগা চুনবা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা পোত্থোক হেন্না পুথোকবা হোৎনবা তঙাইফদে।

২) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্দুনা চাওখৎ লম্বীদা খুমাং চাওশিনবা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগী ফিরেপনি।

৩) লৈবাক শিনবা থুংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবা চথরিবা গুদ গভর্নান্স ব্রিক কেম্পেন জিরিবাম জিলাদা ঙসিদগী হৌখ্রে।

৪) সংসদকী সভা অনিমক্কী নিংথম মীফম ঙসি লোইশিনখ্রে।

অমসুং

৫) বঙ্গলাদেশতা নৌহৌননা হিংশাগী থৌদোকশিং থোরকপদগী লৈবাক অদুদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

------

কোমলা (এল)ঃ নুমিৎ হুমি চথরকপা রাজ্য থাক্কী ১৮ শুবা কোল্লা ফেষ্টিভেল ঙসি লোইশিনখ্রে। ফেষ্টিভেল মনুংদা কোমলা পুথোকপা চাংদমবা, নাৎকী ওইবা জগোই ঈশৈ, ওরেঞ্জ ক্বিন চাংদমবা, ব্রাটর এন্দ ইন্দিজিনস স্পোর্টস,

সেমিনারনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

ফেষ্টিভেল অসি ইং ২০১৭ দা জিওগ্রাফিকেল ইন্দিকেসন (জি.আই) টেক ফংখ্রবা তমেংলোংগী কোমলাবু মীয়ামা হেন্না খঙননবা অমদি কোমলা অসিবু থারিবা লৌমীশিংবু পুকিং থৌগৎপগী পান্দমদা পাংথোকখিবনি। চহি অসিগী ওইনা তমেংলোংগী থিঙৌ ভিলেজদগী হুংগমাং গাংমৈনা কোমলা খ্বাইদগী হেন্না পুথোকপা লৌমী ওইদুনা লুপা লাখ অনিগী অহানবা মনা ফংখি। অদুগা দাইলোং ভিলেজদগী হৌতৌলুং পামৈনা অনিসুবা অমসং খোংসাং ভিলেজদগী পি.ঐচ. বেঞ্জামিন্না অহুমসুবা মনা ফংখি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসকী মিনি ষ্টেদিয়মদা ঙসি ফেষ্টিভেল অসি লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা হায়- কোমলা থারিবা লৌমীশিংনা মতমগা চুনরবা টেকোলোজি শিজিন্নদুনা কোমলাগী পোথোক হেন্না পুথোকবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরি। জিলা অসিগী কোমলা থারিবা লৌমী ৩৫০ দা মখোয়না পুথোক্লিবা কোমলা অসি ওর্গানিক ওই হায়না মশক খঙলে। মহাকা হায়- সরকারনা চীংগী লমদা ওর্গানিক্কী ওইবা কোমলা থাফম শেমগৎলি। মসিগী মনুংদা তমেংলোং জিলাগী খুঙ্গং ৩৮ য়াওরি।

ফেষ্টিভেল লোইশিনবগী থৌরমদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-ডাঃ পুনিত কুমার গোয়ল, এম.এল.এশিং-দিনগাংলুং গাংমৈ, অৱাংবৌ ন্যুমাই, জাংহেমলুং পামৈ শরুক য়াখি।

বিরেন-১ (এল)ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্দুনা চাওখৎ লন্বীদা খুমাং চাওশিনবা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগী ফিরেপনি।

নিউ দিল্লিদা বি.জে.পিগী লুচিংবশিংগা উন্নরুরবা মতুং ঙসি শ্রী বিরেন্না ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা হায়- কেন্দ্রগী লুচিংবশিং য়াওনা কাংলুপ অনিগী লুচিংবশিং অমদি এম.এল.এশিংগা উন্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। হন্দক কেন্দ্রগী লুচিংবশিংগা উন্নখিবা অসি অচৌবা মায় পাকপা অমা ওইগনি হায়বগী

থাজবা লৈ। মহাকা হায়- লমদম অসিদা মহৌশাগুম নুংশি চান্নবা, তংদু লৈতাবা অমদি শান্তি পুরকবা হোৎনবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। অথুবা মতমদা বি.জে.পিগী এম.এল.এ পুমমক য়াওবা মীফম পাঙথোক্তুনা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা হোৎনগনি।

বিরেন (এল)ঃ ভারত লান্মীগী গুরখা রেজিমেন্টনা বিষ্ণুপুর জিলাগী তোরবুং এরিয়াদা শান্তি থমবা হোৎনগনি অমদি মখা তানা পামদবা হিংশাগী থৌদোক থোকহল্লোই হায়না মীয়ামদা থাজবা পীখিবা অদুবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- হন্দক্তা কুকি খুৎলায় পায়বশিংনা বোম য়াওনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবা থৌদোক মতুংদা মীয়ামগী অকি অখণ্ড হন্থনবা অমসুং তংদু লৈতানা লৈহন্নবগী পান্দমদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং মখা তানা থোকহল্লোই হায়বগী ৱাখল্লোনদা গুরখা রেজিমেন্টনা লোখৎলিবা খোঙথাংশিং মীয়ামদা নিংথিনা খঙহনখিবনি। মসিনা মীয়ামদা লৈরম্বা অকি তুজং অমদি মীপাইবা কয়া কোকহনবা ঙম্লগনি হায়রি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- অসিগুম্বা খোঙথাং কয়া অসি নাকল অনিমক্তা পাঙথোক্তুনা মীচম মীয়াম শোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীবা তঙাইফদে। খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদু কনা কনানো মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়দগী খুৎলায়শিং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মসি তৌদ্রিবা ফাওবা শান্তি হঞ্জিনহন্নবা লৌখৎলিবা খোঙথাংদা অকায়বা কয়া থোকহল্লকপা য়াই হায়নসু শ্রী বিরেন্না মখা তাখি।

শাফি (এল)ঃ মণিপুরগী শাফি লানফিনা ইং ২০১১ গী দিসেম্বর ১৯ দা জি.আই. টেক ফংখিবা নুমিৎ অদুবু নিংশিংদুনা শাফি লানফি ডে, ফিশাবীশিংগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ফিশাবীশিং অমদি অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

জিরিবাম (এল)ঃ   লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ২৫ ফাওবা চথরিবা গুদ গভর্নান্স ৱিক কেম্পেনগা মরী লৈননা জিরিবাম জিলাদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২৩ দা নোংমগী ওইবা গ্রিভান্স রিদ্রেসেল কেম্প জিলা অদুগী দি.সি. ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মসিদা জিলা অদুদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াদুনা মীয়ামা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা খন্নগনি অমসুং সরকারগী স্কিমশিং মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনগনি। কেম্পেন অসি নিংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকপা ঙমবগীদমক জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ওফিসারশিংগী মীফম অমা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখি।

সেমিনার (এল)ঃ        ৱিমেন, কনফ্লিক্ট এন্দ সোসাইতি হায়বা হীরমদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ৱিমেন্স ষ্টদি সেন্টরনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা নেসনেল সেমিনার অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিওলোজিদা পাঙথোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা য়ুনিভরসিতি অসিগী স্কুল ওফ সোসিএল সাইন্সেসকী দিন-প্রোফেসার এল. মেমচা, সোসিওলোজি দিপার্টমেন্টকী হান্নগী হেদ-প্রোফেসার রাজেন্দ্র ক্ষেত্রি, ৱিমেন্স ষ্টদিজ সেন্টরগী দাইরেক্তর-ডা: এন. লিলি শরুক য়াখি।

থৌরম অসিগী টেকিকেল সেসনদা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা অখঙ অহৈশিংনা চে পাথোকখি।

মীফম (এল)ঃ   নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থ্কা মরী লৈননা চহি ৭ খুন্তাকপা অমসুং নেসনেল রিকন্সোলিদেসন মন্থ্ হায়বা হিরমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা শিল্লোংগী রেডলেন্দদা লৈবা মণিপুর রাজবারিদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মেঘালয় মণিপুরী ফোরম, শিল্লোং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং য়ুনাইতেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু.পি.এফ) মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা য়ু.পি.এফকী এদভাইজর খোমদ্রাম রতন্না হায়- মণিপুরগী হৌজিক

ওইরিবা ফিভম অসিদা চহি ৭ খুন্তাকপা নিংশিংবা হায়বসি য়ামা মরুওইবা তাঙ্কক অমা ওইরক্লি। মতমদুগী ইপা ইপুশিংনা মণিপুরবু অৱাগী মখুৎতগী কনদুনা অমুক হন্না নিংতম্বা পুরকখিবা অদু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংবা তঙাইফদে।

টেক্স বুক(এল)ঃ রাজ্য সরকারগী মখাদা লৈরিবা মহৈ তম্ফমশঙশিং অমদি লনাই মহৈ তম্ফমশঙশিংদা তল্লিবা ক্লাস ৱানদগী টেন ফাওবগী টেক্সবুকশিং ইং ২০২৬ কী একাদমিক সেসন হৌদ্রিঙৈদা ফংহনবীয়ু হায়না ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না তকশিল্লি। এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা ঙসি বোর্দকী মীহুৎশিংগা উন্নবদা ইং ২০২৬ কী ফেব্রুৱারিগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা টেক্সবুকশিং শুকশোই শোইদনা ফংহনগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি হায়রি।

নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ গী নিতি নিয়মগা চান্ননা টেক্সবুকশিং পুথোক্কুনা মহৈরোইশিংদা তমহনগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদা এসোসিয়েসন্না থাগৎপা ফোংদোক্লি।

এআর (এল)ঃ আই.জি.এ.আর (সাউথ)কী লীচিং মখাদা থৌবাল পুলিসকী পার্সোনেলশিং য়াওবা কাংবু অমনা ফৌবাকচাউগী মৈরা পায়বী, সাদর জোতেগী ৱার্দ মেম্বর, ভিলেজ চীফ অমদি খুঞ্জাশিংগা উন্নখ্রে। থৌরাং অসি মীয়াম অমদি সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগী মরক্তা হেন্না ফবা মরী থমবগী পান্দমদা পায়খৎপনি।

অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্লবা নহা ১৪ দা অচম্বা খুদোংল পীদুনা পুকিং থৌগৎখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী মন্ত্রিপুখ্রিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা নৌনা খল্লবা কম্মিসন ওফিসার, ফ্লায়িং ওফিসার য়াওনা ওফিসারশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু ইকায় খুমবা উৎখি। নৌনা আর্মদ ফোর্সতা খল্লবা কেদেটশিংবু তরামা ওকপগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংবুসু ইন্সপেক্তর জেনেরেল ওফ অসাম রাইফলসনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মৈ (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল সবদিভিজন ৱানগী মখাদা লৈবা এলেভেন কে.ভি. ইষ্টর্ন টু ফিদর নোংমাইজিং নুমিৎকী পুং ১০ মখায়দগী পুং ৩ ফাওবা সটদাউন তৌগনি। মসি শগোলবন্দ, ৱাহেংবম লৈকাইদা অন্দর গ্রাউন্দ কেবল শেমজিন শাজিনগদবা অমদি শগোলবন্দ মৈনো লৈরক এরিয়াগী জি.ও. শেমগদবা লৈবদগীনি। মসিনা মরম ওইদুনা কৈশামপাৎ জঙ্কসনদগী ৱাহেংবম লৈকাই লাইন ফাওরগা শগোলবন্দ তেরা অমুদোন লৈকাই ফাওবা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ পীবা ঙমলোই হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়রি।

সংসদ ঃ সংসদকী সভা অনিমক্কী নিংথম মীফম ঙসি লোইশিনখ্রে। লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়- পুন্না সিত্তিং ১৫ লৈখিবা মীফম অসি চাদা ১১১ মায় পাকখি। মীফম নিংথিনা চত্থবদা মতেং পাংবগীদমক সংসদকী সদস্যশিংবু শ্রী বিরলানা থাগৎপা ফোংদোকখি।

রাজ্য সভাদা ৱা ঙাংবদা সভাগী চেয়ারমেন সি.পি. রাধা কৃষ্ণন্না হায়- হৌ দক্কী মীফম অসি পুন্না পুং ৯২ চত্থখি অমসুং মীফম মনুংদা প্রাইভেট মেম্বরস বিল ৫৯ সভাদা পুথোকখি। মহাকা হায়- মীফম অসিদা ঐতিহাসিক অমসুং গনতন্ত্রিক ওইবা ৱাফমশিংগী মতাংদা নিংথিনা খন্নখি।

বঙ্গলাদেশ ঃ বঙ্গলাদেশতা নৌহৌননা হিংশাগী থৌদোকশিং থোরকপদগী লৈবাক অদুদা সেক্যুরিতিনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে।

লৈবাক অসিগী কোনুং ধাকাদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইনক্লাব মঞ্চাগী কনভেনর ওইরিবা সারিফ ওসমান হাদি লৈখিদবগা মরী লৈননা মীয়ামা ইরাং শাগৎতুনা বঙ্গালি কলচরেল ওর্গনাইজেসন সায়া নোটকী বিল্ডিং থুগাইখি অমদি মৈ থাখি। ধাকাগী দনমোন্দি এরিয়াদা লৈবা ইং ১৯৬৯ দা লিংখৎখিবা বঙ্গলাদেশকী মমিং লৈরবা সায়া নোট সংস্কৃতি ভবন অসি বঙ্গালিগী নাৎ অমদি কলা য়োকখৎনবগী পান্দমদা লৈবা বিল্ডিং অমনি। থৌদোক অদুদা বিল্ডিং অসি অমাং অতা থোকখ্রে। নাকল অমদা, ঙরাং নুমিদাং লৈবাক অদুগী মাইমেন সিংহ

জিলাগী বালুকা উপা জিলাদা হিন্দু নুপা অমা মীয়ামা ফুদুনা হাৎলবা মতুং মৈ থাখি। মীয়ামা লৈখিদ্রবা মীওই অদুনা ইস্লামগী মায়োক্তা ঙাংহৈদবা ৱাঙাং শঙাং শিজিন্নবগী মহাকপু হাৎখিবনি হায়না মরাল শিখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা চতোগ্রামদা লৈবা ভারতকী এসিষ্টেন্ট হাই কম্মিসনারগী য়ুমদা থোমজিল্লক্তুনা এটেক চথখ্রে। পুলিসকী পাউনা হায়- থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা থোকখিবনি। খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা এসিষ্টেন্ট হাই কম্মিসনারগী য়ুমগী অকোইবদা থোমজিল্লকখি লোয়ননা নুঙদুম চেকতুমচিংবা লংশিল্লকপদগী অকায় অতোই কয়ামরুম থোকখি। খোঙজং চংশিল্লিবশিংগী খোঙজং অদু হেন্না কনশিল্লকপদগী খোঙজং চংশিল্লিবশিং টিয়ার গ্যাস সেল কয়া কাপ্তুনা তানখায়খি।

খোঙজং চংশিল্লিবশিংনা ঙরাংসু ধাকাদা লৈবা মিদিয়া হাউসকী ওফিস কয়া থুগাইনবা হোৎনখি। মফম অদুগী মরুওইবা মিদিয়া হাউসশিং- প্রোথোম অলো অমসুং দেল্লি ষ্টারগী বিল্ডিংশিং অকায় অতোই থোকহনখি। মদুনা মরম ওইদুনা মরুওইবা চে চাংশিং, লাইরিকশিং, ফরনিচর অমদি কম্প্যুটর য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া মৈ থাখি।

রাস্ত্রপতি ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুনা ঙসি হায়দ্রবাদতা ষ্টেট পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (পি.এস.সি) শিংগী চেয়ারপার্সনশিংগী নুমিৎ নিনিগী নেসনেল কনফরেন্স হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসন্না সিভিল সার্ভেন্টশিং খনবা মতমদা নিয়ম চুমা অমসুং পুকচেল শেংনা খনগদবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী সংবিধান শেল্লম্বশিংনা য়ু.পি.এস.সি অমসুং পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনশিংগীদমক তোপ তোপ্পা মফম অমা খাল্লুম্মী। মহাকা হায়- সংবিধান্না পীবা সোসিয়েল, ইকোনোমিক, পোলিতিকেল জষ্টিস অমসুং মীপুম খুদিংমক্তা মান্নবা থাক অমসুং খুদোংচাবা ফংহন্নবা ৱাখল্লোন অসি পি.এস.সিশিংগী পান্দম ওইরি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- ইং ২০৪৭ তা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা অফবা লৈঙাক সাসন পুরকবগীদমক পাব্লিক সার্ভিস কম্মিসনশিংনা

অচৌবা থৌদাং লৌগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা তেলঙ্গানাগী রাজ্যপাল-জিসনু দেব বরমা, মুখ্য মন্ত্রি-রেবান রেদ্দি অমসুং য়ুনিয়ন পব্লিক কম্মিসন (য়ু.পি.এস.সি)গী চেয়ারমেন-অজয় কুমার শরুক য়াখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিদা পোর্ট সেক্যুরিতি ফ্রেমৱার্ক মপাঙ্গল কনখৎহনবগী তাঙাইফদবা লৈ।

নিউ দিল্লিদা ঙসি ব্যুরো ওফ পোর্ট সেক্যুরিতি (বি.ও.পি.এস) শেন্বগী মতাংদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিগী হিথাংফমশিংদা লল্লোন ঈতিক, আইন কায়বা থবক থৌরমশিং তৌবা অমসুং অতৈ হিরমশিংগী য়েংলগা তোঙান তোঙানবা সেক্যুরিতিগী থৌরাং লৌখৎপা চংই।

মন্ত্রিনা হায়- নৌনা শেমগদৌরিবা ব্যুরো ওফ পোর্ট সেক্যুরিতি অসি মার্চেন্ট সিপ্পিং এক্ট ২০২৫ গী সেক্সন ১৩ গী মখাদা শেমগনি। বি.ও.পি.এস অসিনা সাইবর সেক্যুরিতি অমসুং দিজিতেল থ্রেটনচিংবগা মরী লৈনবা পাউশিং মতম চানা য়েংশিনগনি। মসিগী মথক্তা সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিতি ফোর্স (সি.আই.এস.এফ)পু হিথাংফমশিংদা সেক্যুরিতি ওর্গনাইজেসন ওইনা থবক তৌহনগনি।

রেলঃ ইন্দিয়ান রেলৱেজনা খৃষ্টমাস অমদি ন্যু ইয়ারগী য়েংলগা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিন হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক অখন্নবা রেলগাড়ি ১৩৮ জোন ৯ দা চেল্লগনি।

রেলৱে মন্ত্রলয়না থোকপা চেরোল অমদা হায়-হায়রিবা রেলগাড়িশিং অসিনা ত্রিপ ৬৫০ চেনগনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়-ইর্ষ্টন রেলৱেজনা রেলগাড়ি ২৬, সেন্ত্রেল রেলৱেজনা রেলগাড়ি ১৮, সাউথ সেন্ত্রেল রেলৱেজনা রেলগাড়ি ২৬ অমসুং সাউথ ইর্ষ্ট সেন্ত্রেল রেলৱেজনা রেলগাড়ি ১২ চেনগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেটঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনদুনা লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংনা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকেথেলবু রন ৯৭ তা থোইখ্রে। হয়েং মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু-দব্লিউ ললাম্বুং অমসুং টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ অনি শান্নগনি।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিং ওস্কার পাউনা বজার অমদি এস.য়ু শগোলবন্দ মায় পাকখ্রে।

ইম্ফালগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচ অমদা ওস্কার পাউনা বজারনা আর.আর.সি.সি চুরাচান্দপুরবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

থৌবাল জিলাগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা এস.য়ু শগোলবন্দনা আই.বি.এস.এ য়ুমাম লৈকাইবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

ক্রিকেটঃ বি.সি.সি.আইগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরিবা নুপীগী চহি ১৯ মখাগী ৱান ডে ত্রোফি প্লেটকী ঙসি নাগপুরগী সিভিল লাইনদা লৈবা ভি.সি.এ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা ত্রিপুরানা মণিপুরবু রন ৭৮ দা থোইখ্রে।

বিজয় মার্চেন্ট ত্রোফি ইলিট ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি ভুবনেশ্বরগী কে.আই.আই.টি ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা মুম্বাইনা মণিপুরবু ইন্নিং অমগা রন ২৯৬ তা থোইখ্রে।

কুছবিহার ত্রোফি প্লেট ক্রিকেট তুরনামেন্টকী ঙসি গোকুল ভাই সোমা ভাই পাতেল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতনা মণিপুরনা নাগালেন্দবু ৱিকেট ৬ তা থোইখি। তুনামেন্ট অসিগী ওইনা পোইন্ট টেবলদা মণিপুরনা পোইন্ট ৩০ ফংদুনা অহানবা অদুগা নাগালেন্দনা পোইন্ট ১৯ ফংদুনা অনিসুবদা লৈরি।

একাদমি (এল)ঃ পোইরৌ খোংজিলদা লৈবা এল. ইবোবী স্পোর্টস একাদমিনা শিন্দুনা লাক্লিবা দিসেম্বর ২১ দা ফুটবোল ত্রাইয়েল অমা পাঙথোক্লগনি। ত্রাইয়েল অসি লাংজিংগী আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। শান্নরোইশিংনা অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌনবা খঙহল্লি।

অদুগা অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা থা অসিগী ২২ দা ককচিং সুমাক লৈকাই মোদেল হাইস্কুল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। ত্রাইয়েল অসিগীদমক শান্নরোইশিংনা অয়ুক পুং ৮ মখায়দা রিপোর্ট তৌরগদবনি লোয়ননা মথৌ তাবা চে চাংশিং লোইন্নরক্কদবনি হায়রি।

------